সেরি এ : নাপোলিনা মোঞ্জা থোইখ্রে

রোম, সেপ্টেম্বর ৩০(এজেন্সী):
ইটলিদা হৌজিক-হৌজিক চথুরিবা সেরি এগী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা নাপোলিনা মোঞ্জা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিগী ওইনা মোঞ্জানা বোল পায়বগী চাং চাদা ৫২ ওইখিবা মতমদা নাপোলিনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৪৮ ওইখি। বোল পায়বগী চাং চাংচৎতা মান্ননা শান্নবা ঙল্লবসু নাপোলিনা পাঞ্জল চনবা য়াবা এটেক মশীং হেন্না চথুবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী ২২শুবা মিনটতা নাপোলিগী মেটিও পোলিটানোনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মোঞ্জাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু নাপোলিগী হৈ-শিংলবা দিফেন্দরশিংনা মায় পাকহনখিদে।

অমরোমদা, মেটচ অদুগী ৩৩শুবা মিনটতা নাপোলিগী হিচা ভারাটখেলিয়ান মেটচ অদুদা মখোয়গী টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ২-০দা মাংজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা মোঞ্জাগী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙম্নবা মখোয়গী হৈ-শিংবশিং মপূং ফানা উখোক্তুনা শান্নবা হৌরকখি। অদুবু নাপোলিগী শান্নরোয়শিংনা মোঞ্জাগী এটেকশিং পূম্নমক অরেম্বা তাহনখি। মেটচকী অপীবা অরোইবা মতম ফাওবদা মোঞ্জাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা ঙসি টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদু পাঞ্জল ২-০দা নাপোলিনা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

কেন্সেল তৌরে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০(ঐচ এন এস):
৭৮লক শুবা নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর সন্তোশ ট্রোফি ২০২৪-২৫দা শরুক য়ানবা ষ্টেট টিম শেম্নবগী সেলেক্সন ট্রায়লদা স্কাউট মেম্বর ওইনা মীওই মরি টি ঐচ ইবোতোম্বী, এস মণিরতন, সী ঐচ রবিশঙ্কর অমদি এম দেবেন এপোইন্ট তৌখিবা অদু খূদক্তা কেন্সেল তৌরে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী চেরোল অমনা খঙহল্লকখিবগা লোয়ননা অনৌবা এপোইন্টমেন্ট অমা মথং থাগী ২দা তৌরগনি হায়না অস্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা থাদোরকপা চেরোলসিনা হায়রি।

আই ও এগী প্রসিদেন্টনা পেন্দবা ফোঙদোরক্লি

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ৩০ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসন (আই ও এ)গী এগজিক্যুটিভ কম্মিটি মেম্বরশিংনা ওলিম্পিক মেদলিষ্টশিং তরাম্না ওকপা ঙমদবা অমদি ফাইনান্স কম্মিটিনা ফন্দশিং থিংজিন্দুনা থমখিবগী থৌওং অদুবু আই ও এগী প্রসিদেন্ট পি টি উষানা ঙসি পেন্দবা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা পি টি উষানা ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, ফ্রান্সনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা পেরিস ওলিম্পিক্স ২০২৪দা ইন্দিয়ানা মেদল ৬ লৌবা ঙমখি। মদুগী মনুংদা লৈবাক অসিগী পুৰারী শেন্বা ঙমখিবা মেদল অনী য়াওরি। নহা ওইরিবী শুটর মানু ভাকরনা পেরিস ওলিম্পিক্সতা ব্রোঞ্জ মেদল অনী লৌবা ঙমখিবনি। অদুবু এগজিক্যুটিভ কম্মিটিনা ঐখোয়গী মায় পাল্লবা শান্নরোয়শিং অদুবু তরাম্না ওকপা পামদ্রি। মসিমক ঐখোয়গী ওইনা য়াম্না লাইবক থীবনি হায়খি।

মহাক্না হায়, ঐখোয়গী এথলিট-শিংনা লৈবাক অসিবু মালেমগী মমাংদা মশক তাক্লিবনি। অসিগুম্লবা ঐখোয়গী থৌনা ফৰবা শান্নরোয়শিংবু পুক্লিং থৌগৎপা অমদি তরাম্না ওকপা হায়বসি আই ও এগী থৌদাংনি। অদুবু ঙসি ফাওবদা এগজিক্যুটিভ কম্মিটিনা ঐখোয়গী মায় পাল্লবা শান্নরোয়শিং অসিবু তরাম্না ওক্লবগীদমক ৰাফম অমত্তা ঙসি ফাওবা খন্নদবা অসি নুংঙাইতবা ফাওই। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি অমুক হন্না থোকহন্দনবা হোৎনসি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

HL-B/9090/1/10

ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ফিরেপ লৌগদবনি : বি সী সী আই

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ৩০(এজেন্সী):
চেম্পিয়ন্স ট্রোফিগীদমক ইন্দিয়াগী নেসনল ক্রিকেট টিমনা পাকিস্তানদা চৎকদ্রা নৎত্রগা চৎলোইদ্রা হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লেপকদবনি হায়না বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই)গী মায়কৈদগী ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা বি সী সী আইগী ভাইস প্রসিদেন্ট রজিব সুক্লানা ঙসি ফোঙদোকখিবদা, লেমজ নিংঙাই ওইরবা আই সী সী ও দি আই টুর্নামেন্ট অসি পাকিস্তাননা য়ূম্বু ওইরগা মথং চহীগী ফেব্রুৰারী ১৯দগী মার্চ ৯ ফাওবা চথুগদৌরিবনি। অদুমওইনমক নেসনল ক্রিকেট টিমনা পাকিস্তানদা হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসিগীদমক চৎকদ্রা নৎত্রগা চৎলোইদ্রা হায়বগী চপ চাবা ফিরেপ হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লৌবা লৈত্রি।

বি সী সী আইগী পোলিসি মতুংইন্না ঐখোয়গী টিমনা ইন্টরনেসনল টুরশিং চৎপা মতমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অয়াবা লৌদুনা লাক্লি। মরম অদুনা লৈবাক অমদা ঐখোয়গী টিমনা চৎপা নৎত্রগা চৎতবা হায়বসি লৈরিবা লৈঙাক অসিনা ফিরেপ লৌগদবনি। পাকিস্তানগী ওইনসু নেসনল ক্রিকেট টিমনা শরুক য়াবা চৎকদ্রা নৎত্রগা চৎলোইদ্রা হায়বগী ফিরেপ লৈঙাক্লা লৌগদবনি। লৈঙাক্লা লৌরকপা ফিরেপ অদু ঐখোয়না ঙাক্লা চৎকনি হায়খি।

মহাক্না হায়, হৌখিবা কুমজা ২০০৮দা থোকখিবা মুম্বাই টেরর এটেককী মতুং ঙসি ফাওবা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানদা চৎতুনা ক্রিকেট মেটচ অমা ফাওবা শান্নরক্ত্রি। তমথীরবা থৌদোক অদুদা মীওই ১৫০ হেন্না শিহনখিবা অদুনা মরম ওইরগা ইন্দিয়া টিমনা ঙসি ফাওবা পাকিস্তানদা চৎতুনা মেটচ অমা ফাওবা শান্নরকখিদবনি। অদুবু চহী ৭কী মতুং মমাং চহীদা পাকিস্তান ইন্দিয়াদা লাক্তুনা ও দি আই ৰর্ল্ড কপতা শরুক য়ারখিবনি হায়খি।

গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া
মিনিষ্ট্রি ওফ রেলৰেজ
রেলৰে রিক্রুইটমেন্ট বোর্দস

টেক্নিসিয়নশিং লৌনবগীদমক থোকখিবা
সেন্ট্রেলাইজ ইমপ্লোয়মেন্ট নোটিস (সী ঈ এন) নং. ০২/২০২৪দা খরা হাপচিনবা

ইন্দিকেটিভ নোটিস

তোঙান-তোঙানবা টেক্নিসিয়নশিং (গ্রেদ ১: কেটগোরি নং.১গী অহাঙবা ফম ১০৯২; গ্রেদ-৩: কেটগোরি ২দগী ১৮ ফাওবগী অহাঙবা ফম ৮০৫২) লৌনবগীদমক ০৯.০৩.২০২৪দা সী ঈ এন ০২/২০২৪ পল্লিশ তৌখিবনি। এপ্লিকেসনশিং অদু ০৯.০৩.২০২৪দগী ০৮.০৪.২০২৪ ফাওবা লৌশিনখি। হৌজিক, অনৌবা কেটগোরি ২২ হাপচিন্দুনা গ্রেদ ৩ টেক্নিসিয়নশিংগী অপূনবা অহাঙবা ফম **১৩২০৬** তা রিভাইস তৌরে।
অনৌবা এপ্লিকেসনশিং ইলিজিবল ওইবা কেন্দিদেটশিংনা টেক্নিসিয়ন গ্রেদ ৩ (কেটগোরি নং. ২দগী ৪০) গী কেটগোরি ৩৯মক্তা ইনভাইট তৌরি, এপ্লিকেবল ফীগা লোয়ননা। টেক্নিসিয়ন গ্রেদ ৩দা হান্ননা মায় পাক্লা এপ্লাই তৌখ্রবা কেন্দিদেটশিং, মখোয়গী ওইনসু অমুক হন্না চঙদুনা টেক্নিসিয়ন গ্রেদ ৩গী কেটগোরি ৩৯ অদুদা অপান্বা খনবগী অয়াবা পীরি অমসুং আর আর বি হোংবগী অয়াবসু পীরি, অহেনবা শেনফম অমত্তা য়াওদনা। এপ্লিকেসনশিং **ওনলাইনগী খূখাং খক্তদা** থাজিল্লক্কদবনি।

মরুওইবা তাংশিং

এপ্লিকেসন ওপনিং দেট : ০২-ওক্টোবর-২০২৪
এপ্লিকেসন থাজিনবগী অরোইবা নুমিৎ : ১৬-ওক্টোবর-২০২৪ (পুং ২৩:৫৯)

পোষ্ট মমিং	৭শুবা সী পি সীগী পে লেভেল	হৌগৎলকপগী পে (লুপা)	মেদিকেল ষ্টেন্দর্দ	০১.০৭.২০২৪ ফাওবদা শুবা চহী	অপূনবা টেক্নিসিয়ন গ্রেদ ৩গী অহাঙবা মশীং (ওল আর আর বি এস)
টেক্নিসিয়ন গ্রেদ ৩	২	১৯,৯০০/-	০৯.০৩.২০২৪দা সী ঈ এন দা ইস্যু তৌখিবা ০২/২০২৪ (এনেক্সর-এ) অমসুং ২৭.০৯.২০২৪দা ইস্যু তৌখিবা কোরিজেন্দম এন্দ এদেন্দম নং.২ (এনেক্সর-এ২)	চহী ১৮দগী ৩৩ ফাওবা	১৩২০৬

অকুপ্পা মরোলগীদমক ০৯.০৩.২০২৪দা পল্লিশ তৌখিবা সী ঈ এন নং. ০২/২০২৪ অমসুং ২৭.০৯.২০২৪দা ইস্যু তৌখিবা কোরিজেন্দম এন্দ এদেন্দম নং. ২ ওফিসল ৱেবসাইটতা চঙদুনা মখাদা পীরিবা পার্টিসিপেটিং আর আর বি এসশিং খঙবা য়াগনি।

সী ঈ এন নং. ০২/২০২৪দা য়াওরিবা আর আর বি এসকী ৱেবসাইটশিং			
অহমেদবাদ www.rrbahmedabad.gov.in	অজমর www.rrbajmer.gov.in	বেঙ্গলুরু www.rrbbnc.gov.in	ভোপাল www.rrbbhopal.gov.in
ভুবনেশ্বর www.rrbbbs.gov.in	বিলাসপুর www.rrbbilaspur.gov.in	চান্দিগর www.rrbcdg.gov.in	চেন্নাই www.rrbchennai.gov.in
গুৱাহাটি www.rrbguwahati.gov.in	জম্মু-স্রিনগর www.rrbjammu.nic.in	কোলকাটা www.rrbkolkata.gov.in	মাল্ডা www.rrbmalda.gov.in
মুম্বাই www.rrbmumbai.gov.in	মুজাফরপুর www.rrbmuzaffarpur.gov.in	পাটনা www.rrbpatna.gov.in	প্রয়াগরাজ www.rrbald.gov.in
রাঞ্চি www.rrbranchi.gov.in	সিকন্দরবাদ www.rrbsecunderbad.gov.in	সিলিগুরি www.rrbsilliguri.gov.in	থিরুবনন্থপুরম www.rrbthiruvananthapuram.gov.in
গোরখপুর www.rrbgkp.gov.in	*****	*****	*****

নোটিসকী মওং মতৌ অসি অশেংবনি। করিগুম্বা কোরিজেন্দম/এদেন্দম/মরুওইবা নোটিসশিংগী মতাংদা খঙনবগীদমক মতম-মতমগী মতুংইন্না মথক্তা পনখ্রিবা আর আর বি এসকী ৱেবসাইটশিং অসিদা খঙহল্লক্কনি।
নং. RRB/SC/RT/Advt/02/2024
তাং : ০১.১০.২০২৪

চেয়রপর্সন
রেলৰে রিক্রুইটমেন্ট বোর্দস

"শাশিন্নবা, খদ্রক তৌবা অমদি জোব রেক্কেটরশিংদগী চেকশিনবীয়ু"

2,92,62,94,412.69	B/F		3,04,63,67,297.02	3,23,09,71,769.55			3,34,14,26,810.54
	5.BORROWING			1,72,416.00	8. Bills receivable being bills for	71,096.00	71,096.00
	a.From State Co-op Bank	NIL			collection as per contra		
	b.Short Term Loans, Cash Credits and	NIL		3,68,78,793.44	9. Premises (less depreciation)	3,67,52,602.44	3,67,52,602.44
	Overdrafts	NIL					
	c.Medium Term Loans	NIL					
	(under SIDBI Refinance- Scheme)	NIL		77,09,087.60	10. Furniture and Fixtures	72,05,499.44	72,05,499.44
	d.Long Term Loans	NIL			.		
				17,67,898.06	11. Branch adjustments	17,80,315.54	17,80,315.54
				1,71,03,960.46	12. Other Assets		1,47,99,135.60
					a) Stock & Stationery	17,00,721.65	
1,72,416.00	6.Bills for collection being bills receivable as per contra	71,096.00	71,096.00		b) Vehicle A/c	26,79,073.00	
	7.Branch Adjustments	-	-		c) Prepaid Telephone	21,798.00	
35,47,77,325.42	8.Overdue interest Reserve	34,37,32,155.73	34,37,32,155.73		d) Books & Periodicals	29,784.00	
16,659.95	9.Interest payable	16,659.95	16,659.95		e) Merchant POS Machine	66,674.00	
72,07,938.09	10.Other Liabilities		70,47,701.63		f) GST Input & RCM	11,49,368.93	
	a) Payment Order A/c	18,200.00			g) Advance Income Tax AY 2024-25	78,11,230.00	
	b) Leave Encashment Payable	15,98,361.00			h) ATM ANTI SKIMMIMG DEVICES	60,318.00	
	c) ATM Project Payable	3,27,314.00			i) WEBSITE A/C	29,471.00	
	d) Govt. Security Guard payable	6,64,779.00			j) DKE & MACING SOFTWARE	78,675.00	
	e) IT Return & Filing payable	10,000.00			k) CKYC WALLET A/C	10,000.00	
	f) GST Output	5,90,421.63			l) ATM HARDWARE A/C	7,50,025.00	
	g) DD Issue	17,79,798.00			m) TOKENISATION SOFTWARE A/C	55,560.00	
	h) TDS 94A payable	12,75,944.00			n) PREPAID JIO SECURITY DEPOSIT A/C	3,500.00	
	i) TDS 94N payable	36,302.00			o MICR CHEQUE PRINTING SOFTWARE A/C	55,560.00	-
	j) Arbitration Fee Payable	36,500.00			p) COMPUTER & PERIPHERALS STOCKS A/C	2,41,817.02	
	k) Share Suspense	-			q) BEPG SOFTWARE A/C	55,560.00	
	i) Statutory Audit Fee	5,20,000.00					
	ii) Tax Audit Fee	-					
	iii) Trust Audit Fee	20,000.00					
	iv) System Audit Fee	1,45,082.00					
	v) Concurrent audit fee payable	25,000.00					
3,28,84,68,752.15			3,39,72,34,910.33	3,29,46,03,925.11			3,40,20,35,459.56
As on 31.03.2023	CAPITALAND LIABILITIES		As on 31-03-2024	As on 31.03.2023	PROPERTY AND ASSETS		As on 31-03-2024

3,28,84,68,752.15	B/F		3,39,72,34,910.33	3,29,46,03,925.11			3,40,20,35,459.56
61,35,172.96	11.Profit and Loss		48,00,549.23				
	I.Profit as per last balance sheet	61,35,172.96					
	Less: Appropriations						
	Statutory Reserve	12,27,034.59			13. NON BANKING ASSETS ACQUIRED IN		
	Bad & Doubtful Debt Reserve	12,27,034.59			SATISFACTION OF CLAIMS		
	Dividend Equilisation Fund						
	Building Fund						
	Investment Fluctuation Reserve	36,81,103.78			14. Profit and loss (loss if any)		NIL
	Staff Welfare Fund						
	Investment Depreciation Fund	-					
	Sub Total:	61,35,172.96					
	II.Add:Profit for the year brought from the profit and loss account	48,00,549.23					
3,29,46,03,925.11			3,40,20,35,459.56	3,29,46,03,925.11			3,40,20,35,459.56

Contingent Liabilities :-
(a) Outstanding liabilities for guarantee issued - 51,58,696.00
(b) Others (DEAF Scheme) 3,03,271.17

For M/S AMD & ASSOCIATES
Chartered Accountants,

CA M.K. Maheshwari, FCA,
Partner (Imphal Branch)
Firm Regn. No. 318191E,
Mem. No. 054272,
UDIN No. 24054272BKBNUW7802

Date: 26/08/2024
Place: Imphal

Sd/-
(Dr. L. Suranjoy Singh)
Asst. General Manager

Sd/-
(A. Dhaneshwar Singh)
Asst. General Manager

Sd/-
(H. Meghachandra Sharma)
Dy. General Manager

Sd/-
(Y. Kumar Singh)
President

Sd/-
(Smt. W(O) Bounibala Devi)
Vice President

Sd/-
(Ch. Tombi Singh)
Director

Sd/-
(Dr.Th. Dilipkumar Singh)
Director

Sd/-
(L. Dhananjoy Singh)
Director

Sd/-
(Dr. Th. Bimol Singh)
Director

Sd/-
(R.K. Tony Singh)
Director

Sd/-
(Smt.Th. Sabanam Devi)
Director

Sd/-
(K. Meghachandra Singh)
Director

Sd/-
(Mr. Dangshaw Rock Maring)
Director

Sd/-
(W. Surjitkumar Singh)
Director

HL-B/9089/1/10